**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM**
**(DATE 12-06-2025)**

**বিরেন (এল) ঃ** হান্নগী মুখ্য মন্ত্রি-নোংথোম্বম বিরেননা হায়রি-মনিপুরগী ইন্টগ্রীতি কায়হন্দনা কাংলুপ মশেল নুংশি চান্ননা লৈমিন্নবা রাজ্য অমা ওইহন্নবা গৃহ মন্ত্রালয়না লেপ্তুনা থবক পায়খৎলি।

কেন্দ্রগী গৃহ মন্ত্রি-অমিত সাহগা ন্যু দিল্লিদা অনিরক হন্না উন্নদুনা ৱারী শান্নরুরবা মতুংদা হান্নগী মুখ্য মন্ত্রি-নোংথোম্বম বিরেন অমসুং রাজ্য সভাগী এম.পি. লৈশেম্বা সনাজাউবা ঙরাং ইম্ফালদা হল্লকখিবনি। মখোয়না ইম্ফালগী বির টিকেন্দ্রজিৎ ইন্টরনেসনেল ইয়ারপোর্টতা থুংলবগা পাউমীশিংদা ৱাফম অসি ফোংদোক্লদুনা শ্রী বিরেননা হায়-মনিপুরদা মীয়ামগী লৈঙাক অমা থম্বা হায়বসি গৃহ মন্ত্রিনসু পামহৌরি। মসিগী ওইথোকপা য়াবা লম্বীশিং থিদুনা অথুবা মতমদা থবক্তা ওন্থোকবা কন্না হোৎনরি। রাজ্য অসিগী শান্তি রক্সাগী ফিভম য়েংলগা মীয়ামগী লৈঙাক থমবা হোৎনরি।

মহাকা হায়-তোঙান তোঙানবা কাংলুপশিংগী লুচিংবা কয়া লেপ্তুনা উন্নদুনা মনিপুরদা শান্তি অমদি তংদু লৈতাবা হনজিলহন্নবা গৃহ মন্ত্রালয়না হোৎনরি। মনিপুরগী ৱাথোক অসি কাংলুপ নাইবা ৱাথোক ওইনা উহল্লকপনা ৱা ঙাংবা অমসুং থবক তৌবদা অরুবা কয়া থেংনরি। লাঞ্জেন্নরক্তুনা লৈরিবা মীওইশিংবু মশা মশাগী য়ুমদা হনজিলহন্নবা নেসনেল হায়ৱেশিংদা অয়েৎ অপন য়াওদনা চৎথোক চৎশিন য়াহন্নবা ৱাফমশিংসু গৃহ মন্ত্রিগা উন্নবা অদুদা তকশিল্লমখি হায়না শ্রী বিরেননা মখা তানা ফোংদোখি।

**স্কুল(এল)ঃ** ইম্ফাল ইষ্ট অমসুং ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাশিংগী মনুংদা লৈবা মহৈ তম্ফমশিং ঙসিদগী হাংদুনা মহৌশাগুম স্কুল কাবা হৌরগনি।

হীরম অসিগী মতাংদা জিলাশিং অসিগী দিপ্যুতি কম্মিস্নারশিংনা

চেরোলশিং থোকখ্রে। চেরোলশিং অদুগী মতুং ইন্না, জিলা অনি অসিগী জোনেল এদুকেসন ওফিসারশিং, স্কুলশিংগী প্রিন্সিপালশিং অমদি হেদ মাস্তরশিংনা স্কুলশিং হাংনবা খঙহল্লি।

মরক অসিদা, ইম্ফাল ৱেষ্ট, ইম্ফাল ইষ্ট, থৌবাল, বিষ্ণুপুর অমসুং ককচিং জিলাশিংদা ঙসিগী ওইনা কার্ফিয়ুগী মতম অয়ুক পুং ৫ দগী নুংথিল পুং ৫ ফাওবা কোমথোক্লি।

**ডে ঃ** ঙসি ৱার্ল্ড ডে এগেনষ্ট চাইল্ড লেবর-অঙাংশিংবু শিন্মী ওইনা শিজিন্নবগী মায়োক্তা লেপ্পা মালেমগী নুমিৎ পালন ঙসি পাঙথোকরি।

ইন্টরনেসনেল লেবর ওর্গনাইজেসন (আই.এল.ও) না কুমজা ২০০২ দগী হৌনা ঙসিগী নুমিৎ অসিদা পালন থৌরম অসি পাঙথোক্লুনা লাকপনি। পালন থৌরম অসিগী মপং ওইবা পান্দমদি, চহি নৌরিবা অঙাংশিংবু শিন্মী ওইনা শিজিন্নবা থিংনবনি।

**চেং (এল)ঃ** ইম্ফাল ইষ্টকী ক্ষেত্রিগাউ বিধান সভা কেন্দ্রগী মনুং চন্না লৈবা তোপ মখা লৈকাইগী নপসাগী বিনিফিসরিশিংনা মখোয়গী ফংফম থোকপা মমাং চহিগী থা ৮ য়াওনা চহি অসিগী ফেব্রুৱারীদগী এপ্রিল ফাওবগী পীথোক্তনা লৈরিবা নপসাগী চেং, মরি লৈনবা এজেন্টনা অথুবা মতমদা বিনিফিসরিশিংদা ফংহন্নবা মফম অদুগী মীয়ামনা মরি লৈনবা ওথোরিতিগী পুকিং চিংশিল্লক্লি। চহি অসিগী মে অমসুং জন্ থাগী চেংগী চাকথুংশিং হান্না পীরম্বা চাংদগী হন্থনা পীরে হায়রি। ঈচাও ঈচাওগী অৱাবা মায়োকদুনা মীয়ামনা খম থেংনা ৱারবা মতমদা চেংগী চাকথুং হান্নদগী হন্থনা পীবা অসিদসু পেন্দবা ফোংদোরক্লি।

**বৈসনো ঃ** কেন্দ্রগী মন্ত্রি-মন্দলনা লুপা কোতি লিশিং ৬,৪০০ হেনবগী রেলৱে প্রোজেক্ট অনি অয়াবা পীখ্রে।

ন্যু দিল্লিদা ঙরাং রেল মন্ত্রি-অশ্বিনি বৈসনোনা পাউমীশিংদা হায়-কিলোমিটর ১৩৩ শাংবা কোদরমা অমসুং বারকানা ফাওবগী রেলৱে লম্বী দবল লেন্দ ওনথোকপা অসিনা খুঙ্গং ৯৩৮ দা লৈরিবা মীওই লাখ ১৫ দা চৎথোক চৎশিনদা খুদোংচাহল্লগনি। রেলৱে লাইন অসিনা ঝরখন্দগী কোইলা য়ামা পুথোকপা জিলাশিং ফাওবনা শেল থুমগী মতাংদসু অচৌবা কান্নবা পীরগনি। অমরোমদা, কিলোমিটর ১৮৫ শাংবা বালারি অমসুং চিকজাজ়র ফাওবগী রেল লম্বী অসিনা মেঙ্গলোর হিথাংফম ফাওবা য়ৌদুনা কোইলা, ষ্টিল অমসুং ফরটিলাইজ়রশিং পুথোক পুশিনদা কান্নবা পীরগনি।

**জয়শঙ্কর ঃ** মপান থৌরম মন্ত্রি-ডা: এস. জয়শঙ্করনা হায়রি-ভারত অমসুং পাকিস্তান অনিগী হৌজিক ওইরিবা ফিভম অসি লৈবাক অনি খক্তগী সমস্যা নত্তে, মসি মালেমগী টেরোরিজমগী মথক্তা অমসুং মসিনা পীরকপা চৈথেংশিং অদুনি হায়বা মালেমগী মীয়ামনা খঙবগী তঙাইফদবা লৈরে।

বেলজিয়মগী কোনুং ব্রসেলসতা পাঙথোকপা থৌরম অমদা শ্রী জয়শঙ্করনা হায়-ওসামা বিন লাদেননা পাকিস্তানগী মিলিটরিগী সহর অমদা অকিবা লৈতনা লৈরম্বা অসি করি মরমগীনো হায়বা মালেমগী মীয়ামনা হংবগী মতম ওইরে। শ্রী জয়শঙ্করনা ভারত অমসুং য়ুরোপিয়ন য়ুনিয়ন অনিগী মরক্তা তোঙান তোঙানবা হীরমশিংদা তেংবাংমিন্নদুনা পুন্না চাউখৎমীন্ননবা আপিল তৌরি।

**অসামঃ** অসামগী কালিগঞ্জ এরিয়াদা অসাম পুলিসনা লুপা কোতি মরি মখায়রোমগী ওইগদবা য়াবা টেব্লেট লিশিং ২৯,৬০০ ফাগৎলে।

মুখ্য মন্ত্রি-হিমন্ত বিশ্ব শর্ম্মনা সোসিএল মেদিয়াদা থাগৎলকপা ৱারোল অমদা হায়-শ্রীভুমি পুলিসনা কালিগঞ্জ এরিয়াদা গাড়িশিং চেক তৌবদা য়াবা টেব্লেটশিং অদু ফাগৎপা ঙমখিবনি। মদুবু পুরম্বা মীওই অমসু পুলিসনা ফারে।

---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---

অমিত সাহনা কৌরুবা হান্নগী সি.এম. বিরেন, সনাজাউবা হল্লকখ্রে, তৌগদবা থবক শিন্নরক্লে, মীয়ামদা হৌজিক হায়দোকখিরোই হায়বা শ্রী বিরেননা ফোংদোকখিবা ৱাফম অমসুং ময়াই কাবা চিঙ্গাক্কা কোন্ননা ফারবা অমা চহি তরা জেলদা থাজিনখ্রে হায়বা পাউনা সনা লৈবাক পাউচেগী অহানবা লামাইদা ফোংলি।

শেল থুমগী অৱাবনা মরম ওইদুনা লৈবাক অসিদা ফর্টিলিতি রেট রিপ্লেসমেন্ট রেট য়ৌবা ঙমদ্রে হায়বা য়ু.এনগী ৱাফম অমসুং দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিতাল ককচিং মমিং খক্তগী ঙায়রবা হায়নরক্লে হায়বা পাউনা নহারোলগী থৌদাংগী অহানবা লামাইদা ফোংলি।

হৌখিবা পুং ২৪ দা লৈবাক অসিদা কোবিদনা মরম ওইদুনা মীওই তরুক লৈখিদ্রে। কোবিদ পোজিটিবকী মশিং লিশিং ৭ হেনখ্রে অমসুং সি.পি.আইনা ইন্টরনেট বেন্দ লৌথোকবা দিমান্দ তৌখ্রে হায়বা পাউনা সঙাই এক্সপ্রেস ইংলিস এদিসনগী অহানবা লামাইদা ফোংলি।

সেন্টরগী য়াশিন্নহনবদা অহানবা মীৎয়েং থম্বনি, লৈঙাক শেম্বা নত্তে হায়বা পাউ অসিনা সঙাই এক্সপ্রেস মনিপুরি এদিসনগী অনিশুবা হেদলাইন তৌরি।

ইম্ফাল ইষ্ট অমসুং ইম্ফাল ৱেষ্টতা লৈবা স্কুলশিং ঙসিদগী হাংলগনি হায়বা পাউনা পিপলস ক্রোনিকলগী অহানবা লামাইদা ফোংলি।

দা কেরেন্ট নেসনেল য়ুনিয়ননা ম্যান্মারদা, ম্যান্মার লান্মীনা মীচমদা ক্লস্তর বোম শিজিন্নরে হায়বা পাউনা মনিপুরগী মেলগী অহানবা লামাইদা ফোংলি।

সেন্টরনসু পোপুলর গভরমেন্ট থম্বা পাম্মী, ফিভম য়েংলগা থুনা খন্নগনি হায়বা ৱাফম থল্লকখি হায়বা নোংথোম্বম বিরেনগী ৱাফম পোকফম পাউচেগী অহানবা হেদলাইন তৌরি। পাউ অসি তমেংলোং টাইম অমসুং হুইয়েন লানপাউ

পাউচেদসু তোঙানবা হেদলাইন তৌদুনা ফোংলি।

এ.কে. মিশ্রানা এন.এস.সি.এন (আই.এম) লুচিংবা মুইভা উন্নখ্রে। অথুবা মতমদা ৱারোইশিন পুরকবা য়ান্নখ্রে হায়বা পাউনা গানফিয়ু মেলগী অহানবা লামাইদা ফোংলি।